ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওক্টোবর ২০, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২০৬ শুবা মশীং

দলাই লামাগী ইম্ফাল খোঙচৎ

এসিয়ন য়ুনিয়ন শেম্নবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোকপা ৱাখিগনি

দলাই লামা হায়বসি টিবেটকী বৌধ লাইনিংগী মকোক ওইবতা নৎতনা লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্টকী য়াম্না মরুওইবা ফমথোল অমনি। ইম্ফালদা লাক্লম্বা দলাই লামাগী অশেংবা মমিং টেনজিং জেটসো হায়না কৌই। মহাক্না দলাই লামাগী ফম অসি পায়বা ১৪রক শুবনি। মরম অদুনা মহাকপু ১৪শুবা দলাই লামা হায়রগসু খঙনৈ। ফম অসি মহাক্না কুমজা ১৯৪০গী ফেব্রুৱারী ২২ দগী পায়রকখিবনি। টিবেটকী মীয়াম্না থাজনবা অমগী মতুংইন্না ফম অসিবু পায়রিবা মীওই অদু লাইপোকনি, শেন্বীবা মপূনা থারকপা লুচিংবা অমনি হায়না লৌনৈ। মরম অদুনা দলাই লামাগী ৱাফম অসি মখোয়দা শেন্বীবা মপূনা হায়বা ৱাফমগা চপ মান্ননা লৌবা মী য়াম্না লৈ। মনিং-মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বদগী কুমজা ১৯৪৯ দা চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মিনা নম্ফূদা চঙশিল্লকখি অমসুং টিবেট হায়রিবা লৈবাক অসি চাইনাগী শরুক অমনি হায়না লাউথোকখি। হৌজিক্তি টিবেট চাইনাগী শরুক অমগুম্না লৈঙাকপগী থৌদাং পূম্নমক চাইনাগী কম্যুনিষ্ট পার্টিনা পায়শিনখ্রে। থৌওং অদুবু য়ানিংদবা দলাই লামা অমসুং মহাক্কী তুংইনবা মীওই লিশিং ৪০ রোম লৈবাক অদুদগী চেম্থোরকখি। মখোয়গী মনুংদা শরুক খরনা নেপালদা অদুগা শরুক খরনা ভুটানদা অমসুং অয়াম্বা শরুক্না ইন্দিয়াদা চেল্লক্তুনা লৈরকখি। মসিমক্না মরম ওইরগা টিবেটকী একজাইল গভর্ণমেন্ট মপানদা লৈ হায়না টিবেট মচাশিংনা ফোঙদোক্নে। অসুম্না হৌজিকসু মীচেল ওইনা লৈরিবা দলাই লামানা লাইনিং-লাইশোল খক্তগী নত্তনা লৈঙাক অমা পায়বগী মওংদা ৱা ঙাঙলি। মহাক্কী ৱাফম অদু টিবেটকী মীয়াম্না ঙাক্তুনা চৎলি হায়নৈ। মতম শাংনা ইন্দিয়াদা লৈরক্লবনিনা দলাই লামাগী তুংইনবশিংসু মখোয়-মখোয়গী হিংনবগী লম্বী শেম্নদুনা লৈতানা লৈরি। অদুমকপু চাইনানা মখোয়গী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা অমসুং থবক তৌবা দলাই লামাবু ইন্দিয়ানা য়োকথাক্তুনা থম্বা ফোঙনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। ৱাহৌ অসিদগী ইন্দিয়াগা চাইনাগগী মরক্তা হৌজিকসু চাওনা মুক্লবা লৈরি। মরক-মরক্তা লান্মী মশেলগী মরক্তা ফাওবা নুংঙাইনদবা থৌদোক কয়ামরুম থোক্লি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্না দলাই লামা অমদি মহাক্কী লুচিংবশিংবু চঙজফম পীখিবা থৌশিল অদুদি ঙসি ফাওবা মালেমগী মীয়াম্না শীংথানদুনা লৈরি।

দলাই লামা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাক্লমখি। মহাক্কী খোঙচৎ অসি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়জবগী মতুংইন্না ইম্ফালদা লাকখিবনি। মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ অসিদা ফোঙদোক্লম্বা ৱাফমশিং অসি ঐখোয়না মায়কৈ অহুম থোক্লা য়েংবা য়াই। মায়কৈ অমনা পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাফম অদুগা অতোপ্পা মায়কৈ অমনা মালেমগী ওইনা ঈং-তপ্পা ফীভম অমা পুরক্লবা অদুগা অতোপ্পা অমনা মণিপুরগী ওইবা ৱাফমনি। পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাফমদা মহাক্না ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং জপানননা থৌবু ওইরগা এসিয়ন য়ুনিয়ন অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ফোঙদোক্লমখি। হায়রিবা থৌরাং অসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগুম্না মপাঙ্গল কনবা বোদি অমা লৈহন্ননবনি হায়নসু পল্লি। মতম অমদা য়ুরোপ কন্ট্রিশিংদা লৈরম্বা মুক্লবা, নুংঙাইনদবশিং অদু য়ুনিয়ন শেমখ্রবা তুংদগীদি লোয়নমক কাউথোক্লরগা অপূনবা শক্তমদা পুন্না চাউখৎমিন্ননবগী মায়কৈদা লাকখ্রে হায়বসিনি। অসুম্না এসিয়ন কন্ট্রিশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী মরক্তা নুংঙাইনদবা, লৈবাক মশেলগী মরক্তা উংখৎনরিবশিং অসি য়ুনিয়ন অমা শেম্লগদি কোকহনবা ঙমগনি অমসুং পুন্না চাউখৎমিন্নবা য়াগনি হায়বসি মহাক্কী থাজবনি। মহাক্না পীখিবা অতোপ্পা ৱাফম অমা হায়বদি, মালেমগী ওইনা ঈং-তপ্পা ফীভম অমা শেমগৎননবগী মতাংদা পূক্নিংগী ঈহুলনা থবক তৌবগী মহুৎতা ৱাখল চনিং তানা খন্থরগা থবক তৌগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসিমক পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। মুক্লবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লগা মীগী মতেং পাংনিংবগী ৱাখল্লোন চেন্নবা মীপূম খুদিংমক্তা আপিল তৌবগা লোয়নননা ঈং-তপ্পা ফীভম অমা পুরক্লবা হোৎনসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোক্লম্বা লৈখি। মণিপুরগী মতাংদা মহাক্না ফোঙদোক্লম্বদা শীংথানিংঙাই ওইবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মণিপুরগুম্বা চীংগী শরুক্না য়াম্বা ষ্টেটতা রেল নৎত্রগা কংফালগী লম্বী শেম্বদা মতম চঙলগসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোন ইকায় খুম্নবগা লোয়নননা লম্বী-থোং শেম্বগী থবক্তা পূক্নিং চঙলক্কনি থাজে হায়নসু ফোঙদোক্লমখি। মতাং অসিদা পনবা য়াবা ৱাফমদি, দলাই লামানা পাম্লিবা এসিয়ন য়ুনিয়ন শেম্বা হায়বদু পাক হেক ওইথোকপা য়াগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রি। মসিগী মরুওইবা মরমদি, কম্যুনিষ্ট চৎপা লৈবাক, মোনার্কি চৎপা লৈবাক অমসুং দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাখল্লোন অমসুং খেন্নবা থৌশিলশিং অসি প্লেটফোর্ম অমদা লাকহনবদা অচৌবা খুরৌ থাংবা অমা ওইখিগনি খল্লি।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

এম এস পি দি সী এলনা হায়র লেবেলগী প্রেসর ঙাইবিদনা ত্রান্সফোর্মর শেন্থীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

এম এস পি দি সী এল ওটোনোমস বোদিনি। প্রী পেদ সিষ্টেম লাকপসিদা মীয়াম্না হরাউনরিবনি। অদুবু লৈকায় অমদা, খুঙ্গং অমদা ত্রান্সফোর্মর য়ারক্তবদা অথুবা মতমদা শেন্থীফম থোকপনি। হায়র লেবেলদগী প্রেসর পীরগা য়াহনবা হায়বসি ওটোনোমস বোদি অসিগী ইকায়নীংঙাইনি। ভি আই পিশিংনা থীরিবা রেটকা অচম্বা কঞ্জুমরশিংনা থিরিবা রেটকা মান্নরম্বা য়াই। অদুবু ভি আই পিশিংগী য়ারক্তবা মতমদদি খুদক্তা শেন্থীরম্বা য়াই। মৈ লাক্ত্রবসু নোংমগী চার্জ খরদি লৌরিবা অসি মৈ লাক্লবা মতমদা রি-এন্বর্স তৌবীগদৌরিব্রা?

ত্রান্সফোর্মর য়ারক্তবদা লৈকায় অদুগী মরাল নত্তে। ত্রান্সফোর্মর অদুগী এরিয়া কোল্লিবা ষ্টাফশিংগী মরাল ওইফম থোকই হায়বদি ওটোনোমস বোদি অসিনা খঙবীদবা লাইবক থীবনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী টোপ অৱাং লৈকায়দা লৈবা ত্রান্সফোর্মর অসি হৌখিবা ওক্টোবর ৪দগী য়াদবদগী লৈকায় অসিগী ক্লবনা হায়জরবসু নুমিৎ ১৪শুরবা ফাওবদা শেন্থীদবা হায়বসি হায়র লেবেলদগী প্রেসর ঙাইবনি হায়দবা ঙম্লোই। বোদি অসিনা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদগী মৈগী ফীভম হেন্না ফহন্দুনা চাওখৎপা মণিপুর ওইহনসি।

অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী সিংহ
তোপ অৱাং লৈকায়

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১। মখাগী ৱাহৈ পূংবা অনী অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) নাইনু-কিশি (খ) নৌহা-খোংফাং।

২ । মৈতৈ নিংথৌ পোকপীশিংগী হৌরকফমগী ৱারী ইবা 'চাদ লাইহুই' কৌবা লাইরিক্তু কনানা ইরম্বনো?

৩। "মীগী মরোল লোনবদি/ঐগী অৱাবা ইজবদি/করম্বা ৱাহৈনা ফোঙসিগে।" পরেংশিংসি মণিপুরগী নিংথৌ বুধচন্দ্রনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং করি কৌই?

৪। "নঙগী সমাজ, নঙগী ধর্ম্মদুনা ঐগী ইচাগী পুক পুবীবরা? সমাজ হায়বসিদি অশিবনি, থৱায় পান্দবনি।" পরেংশিং অসিনা নিংঙোম্থম সুনিতানা ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক 'অন্দ্রোগী মৈ' হায়বদু হিন্দীদা হন্দোকপদু কনাননো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ব্ৰর্ল্ড কপ্তা প্লেয়র নিপান য়াওরকপা: মণিপুর গভর্ণমেন্টতা পাড়া অমা

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

মণিপুরসি ফুটবোলদা পৱার হাওসনি হায়বসি খরমখৈদি চুম্লক্নে। হান্নদি ফুটবোলদা পৱার হাওসমক্তি ওইখিদেকো। ঐখোয় মসিমদি লৈখায় তনসি। অদুবু স্পোর্টসতা মণিপুরসি পৱার হাওসনি হায়বদি য়েৎননীংঙাই লৈতে। ফুটবোলবু মশান্না ময়ামগী মরক্তগী তোঙান্না খায়দোরল্লবদি মণিপুরসি পৱার হাওস হায়বদুদি ওইদে। অৱাং-নোংপোক লমদমদদি পৱার হাওস ওইব্রা? মসিসু খন্থনীংঙাই ওইরি। মীজোরামদগী অফ-অফবা শান্নরোয় কয়া লেপ্তুনা থোরক্লি। মণিপুরগা শান্নবা মেচ কয়াদা মখোয়না লাকচনা থোয়খিবা কয়া য়াওখ্রে, টুর্নামেন্ট কয়া লৌখ্রে অমদি মখোয়দগী হৌরকপা শান্নরোয় কয়া ইন্দিয়াগী মমিং লৈবা ক্লব কয়াদা শান্নরি। মণিপুরগী শান্নরোয়শিংসু ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ক্লবশিংদা শান্নরি অমদি য়াম্না পাম্নসু লৌনরি। হৌখিবা চহী ৬/৭কী মতম অসিদা ফুটবোলগী মতাংসিদদি মীজোরাম্না মণিপুরদগী খরা লমজেল য়াংনা চেল্লি অৱাং নোংপোক্কী মনুংসিদা হায়বা তারবদি। মসিনা তাকপদি হায়রিবা মতম অসিদা মণিপুরসি ফুটবোলদা খরা শোথনা চৎলি হায়বা তাকপনি। নুপীগী ফুটবোলদদি মখা তানা হায়নীংঙাই লৈত্রে হায়বদি মণিপুরসি পৱার হাওসনি। পৱার হাওসপু নত্তে সুপর পৱাররনি।

জুনিয়র ৱর্ল্ড কপনি হায়নরিবা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ্তুগী ইন্দিয়াগী টিম লৈহৌরে গ্রূপ লীগকী ষ্টেজদগী। ইন্দিয়াগী পুৱারী অমা শেমখ্রে খৃষ্টনা পোল্লবা চহী ২০১৬কী মতুংসিদা। শেল্লিবা পুৱারী অসি পীকখ্রবা লমদম মণিপুরগীসুনি। কয়াদা থেংনা শেমখ্রবা পুৱারীনো ফুটবোলগী ৱর্ল্ড কপ্তা য়াওবা ফংবগী। মালেমগী অতৈ লৈবাক্তদি অসিগুম্বা পুৱারী অসি শেমখিবা কুইরে। মতম কুইমনখিদুনা মখোয়দদি মদু পুৱারী অমনি হায়নবু খল্লম্লোই। অদুগা ইন্দিয়ানা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ য়াওবা ফংবগী শেল্লে হায়রিবা পুৱারী অসি মখোয়দুগুম্বা লৈবাক্তদি পুৱারী অমনি হায়নবু লৌরমদবসু য়াই। অদুবু ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদদি য়াম্না চাউবা পুৱারী অমনি। অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ্তু ইন্দিয়ানা শান্নবা য়াওবা ফংলিবসিসু ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ শান্নবদা মায় পাক্লক্তুনা য়াওবা নত্তে। টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্থু ওইদুনা শিল-লাংবা ওইরুবদগী য়াওবা ফংখিবনি। মসিসু ইন্দিয়াগী ওইবা পুৱারী অমনি। ফন্না হায়দুনসু ইন্দিয়াগী শান্নবগী থাক অদুনা লৌখৎপা য়াদবমখৈ লৈরবদি য়ূম্থু ওইবা য়াগদবা নত্তে। মসিনা তাকপদি ইন্দিয়াদা ফুটবোলগী থাক অসি খরমখৈদি ফঙাৎলে হায়বসিনি। য়ূম্থু ওইবা ফংলমদ্রবদি ৱর্ল্ড কপকী পুৱারী শেল্লম্লোই। মণিপুরগী ওইনদি য়াম্না চাউবা পুৱারী অমনি শেল্লিবসে। ইন্দিয়ানা শেল্লিবা পুৱারী অসিদগী মণিপুর ষ্টেটনা শেল্লিবা পুৱারী অসিনবু হেন্না চাউরিবনি। করিনা হায়ববু শান্নরোয় নিপান য়াওরিবনি। ইন্দিয়াগী য়ামখ্রবা ষ্টেট অমদি অপূনবা মী বিলিয়ন্না খুদুং ওইদুনা লৈরিবা লৈবাক অসিদগী পীকখ্রবা মণিপুরদগী শান্নরোয় নিপান য়াওবা ঙম্বা হায়বসি তরাইবা ৱা নত্তে। মসিগীসু মথক্তা মীওই তরাতক্লা শাবা ইন্দিয়ন টিমগী স্কাদ অদুগী তঙ্খায় অমনা মণিপুরদগীনি অদুগা তঙ্খায় অমনা য়ামখ্রবা, চাওখৎলবা ষ্টেটশিং অসিদগীনি। শম্না হায়রবদা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী পুৱারীগী লৈমায়দদি মণিপুরনা তঙ্খায় অমদি কনবা ঙম্লবরা হন্দক্কী মতাং অসিদদি?

ইন্দিয়াগী গ্রূপ্তা ব্রাজিল, স্পেন, জর্মন, ফ্রাঞ্চ, ইংলেন্দনচিংবা টিমগা গ্রূপ পুল্লমদবা লায়বক য়াম্না ফৈ হায়নীংই। করিগুম্বা পুল্লম্লবদি য়াম্না শাথিনা লাকচনা থোয়খিনি। পাঞ্জল য়াম্না চল্লমগনি ইন্দিয়াগী মায়োক্তা। মণিপুরগী জিক্সন্না ইন্দিয়াগী পুৱারী শেমখ্রবা গোল অমা চনখিবদু চনবা ঙম্লমদবসু য়াই। তশেংনমক হায়বা য়াই মদুদি মথক্তা পল্লিবা টিমশিং অসিদি সেনিয়র ৱর্ল্ড কপ্তা শান্নবা নোপ্তুক তৌবা টিম অমগী থাক অদু য়ৌরে হায়নীংই। মথংগী ৱর্ল্ড কপ্তা শান্নবা প্লেয়র খরদি শোয়দনা য়াওরক্লগনি হায়রিবা টিমশিং অসিগী মনুংদগী। মখোয়গা শান্নরম্বা তারবদি মকোক ঙাওগনি। মখোয়গী খৃৎশান্নদুদি য়াম্না ফাষ্ট ওইবা খৃৎশান্ননি। কম্প্যুটরগী মতেংনা প্রোগ্রাম সেট তৌদুনা থল্লবা রোবোট অমনা তৌগদবা মথৌ অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা য়াম্না লায়না, ৱাদনা তৌবা অদুগুম্বনি। মীতৈলোলদা হায়বা তারবদি কাঙলম চেনবা হায়বদু তাবসু য়াই ইন্দিয়াগী টিম। হায়রিবা টিমশিং অসিগী প্লেয়রশিংদি মশা য়াম্না কল্লি, য়াম্নসু য়াঙই অমদি মশানা মশাবু থাজবা হায়বদু লৈজরে। অমরোমদা ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিং মশা ফিট ওইদ্রি, শোক্তক লৈরি ৱর্ল্ড কপকী থাক অসিদা চঙলকপা মতমদদি। মখোং-মখুৎ শিংবগী চাং ৱাংলি, মশা চোকথবা উবা ফংই। ফুটবোল শান্নবগী মওং ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক শান্নরিবা বোল ৱাংনা কাওরগা পাস তৌবা, বোল পুদুনা মী অনী অহুম নাম্থোক্লবা হোৎনবগী খৃৎশান্না অদুদা শান্নরি। অদুবু মসিগী খৃৎশান্না অসিদদি য়ুরোপ অমদি লেতিন অমেরিকাগী লৈবাকশিংদদি ঙসিদগীনা চহী নিফুরোমগী মমাঙদগী শান্নরক্তে। অদুবু মালেমগী ফুটবোলদা হোংলক্লিবা মওং অসি ইন্দিয়ানদি লৌশিনবা ঙমদ্রি। ফুটবোল হায়বসি মী তরামাথোইনা শান্নবনিনা মীওই অমনা কেরি তৌদুনা মীওই অহুম মরি লাম্থোক্তুনা বোলদু পুনবা হোৎনবগী মথৌ করি তারি। মহাক মথক্তগী মথৌ নত্তে অদুগা মথক্তা অদুগুম্না তৌ হায়বসু লৈতে। মাবু থিংনবা হোৎনগদৌরিবসি মায়োক্ক বা টিমগী প্লেয়র অহুম-মরিননি। অদুনদি মীওই অমগা মরিগা মুক্কবদা কনানা ঙমফম থোকপগে? পাঞ্জল চন্নবা হোৎনগে হায়রবদি প্লেয়র পুম্নমক্কী মথৌ তারকই। মরম অদুনা এটেক তৌবদা প্লেয়র অমখক্তনা কেরি তৌবনা মায় পাক্লোইদবনা প্লেয়র মরি-মঙা পুনশিল্লগা ৱান-টচ-পাস তৌবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে। মদুসু অনকপা মফমদা, বোল ৱাংনা কাওদবা, গ্রাস কতরদা পাস তৌনবা তাবনি। বোল শাংনা কাওদুনা, ৱাংনা কাওদুনা পাস তৌবা হায়বসি পীনিংলিবা প্লেয়র অদুগী মখোং ময়াদা চপ চানা তাহনবা ঙমদে। মসিগীসু মথক্তা ৱাংনা কাওরবা বোল হায়বসি মায়োক্লবা প্লেয়রনসু ফংখিবা য়াই। বোল ৱাংনা কাওবগী মাঙজবসি য়েংবিয়ু - অহানবদা বোল অদু কন্ট্রোল তৌরনি, অনীশুবদা কনাদা কাওসিগে হায়বগী অমুক ফীভম শেমদবা য়াদে। মসিনা মতম মাঙহল্লি। মীনা মুনখিবা য়াবগী তাঞ্জাসু লৈতবা নত্তে করিগুম্বা বোলদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমদদুনা খোংদগী চোঙথোকখিবা য়াওরবনি। অদুনদি বোল কন্ট্রোল তৌবদা হৈগনদবা, শোয়গনবা হায়বগী ৱাফম অমমুক থোক্লকই। ৱান-টচ-পাস ওইরবদি মসিগী খুদোংচাদবশিংসি মাঙখ্রে। বোল ৱাংনা কাওদুনা পাস তৌরবদি মরেপ ৱাংবা মীনা বোল ফংখিবা তাবনি। অদুনদি ইন্দিয়াগুম্বা মী পীকপা টিমদদি মসিবু করি কান্নবা। অদুবু ঙসিসু ইন্দিয়াদি মসিগী মশান্না অসি থাদোকপা ঙমদ্রি মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্ক থাদোকখ্রবসু। বোল নেম্না ৱান-টচ-পাস তৌরবদি মরেপ ৱাংবা, নেম্না হায়বগী খেন্নবা লৈত্রে। মদুগী খুদম হায়ববু মরাদোনা, মেসি, নেমারনচিংবা পনবা য়াই।

ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংগী মরাল অমত্তা লৈতে। মখোয়দি মথৌনা মরিংজেলনা শান্নজবনি। লাল অমা চঙবগী মথৌ তাবা লানঙম ফিরাল থেৎতবা য়াদে হায়বা অকুপ্পা লাল্লোং ইন্দিয়ানা মশাগী ফুটবোল প্লেয়রশিংদা তম্বীখিবরা? মায়থীবনি হায়না খঙলবা লানফম অমদা চঙলুরো অমদি মায়থীরুরগে হায়না চঙলবনি। লাল চঙগদবা লানমীশিংদা মখাদগী লাল্লোং তাকপী-তম্বীরকপা তাই। মতিক চাবা খৃৎলায় ফংহনবা তাই। মায় পাক্কদবা লালগী অকুপ্পা লাল্লোং য়াৎথোক্তুনা থম্বা মথৌ তাই। মদুগীদমক লৈবাক ঙাকপা নিংথৌনা শেল থাদদুনা লানঙম ফিরাল পায়নবা হোৎনরিবনি। ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা লৈঙাক্কী শেল থাদবা য়াম্না ৱাংলি। শেল থাদদবনিনা মায় পাক্কদবা স্পোর্টস পোলিসি শেমদ্রি। য়েক্লবনা লান্দারক্কদৌরে হায়বগী পাউ ফংবগা কৈথেল নংনবা লাল ঔরাইখৎলকপনদি মায় পাক্লোই। ৱর্ল্ড কপ শান্নদৌরে হায়রগা থা অমগী কোচিং পীবনা প্লেয়রশিংগী মমায় চিনিমুক ঙাংহনগনি অমদি য়ামখ্রবা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী থম্মোয় শোকহনগনি। লান্মী ওইগদবা মীদি অঙাং ওইরিঙৈদগী তা খৌশাবা, থাঙ হাইবা, চুঙ্গোয় পায়বা তম্বীবা তাই। অদুমহাইনা ফুটবোল প্লেয়রশিংসু পিক্লিবা অঙাংশিংদগী শেমগৎলকপা মথৌ তাই। শরু নৌরিঙৈদগী তম্বীরকপা চঙই। চহী য়াম্লক্লবা মতম, শরু লিরক্লবা মতমদা ফুটবোলগী কোচিংনি হায়দুনা শান্নফম লম্পাক্তু রাউন্দ তরা কোয়না চেল্লু, হকচাং শাগৎহল্লু, হুমাং তাহল্লু অদুগা পিটি তৌ হায়বা পাড়া অদুদি ঙসিগী ৱর্ল্ড কপ্তা চন্নদে। ৱর্ল্ড কপ্তা থেঙ্গাইনরক্লিবা মালেমগী লৈবাকশিংদা ফুটবোলখক্তগী ওইবা একাদেমি লিংদুনা পীক্লিবা অঙাংদগী ফুটবোল শান্নবা তম্বীবা, লাইরিকসু তম্বীবগী থবক তৌরিবনি। মদুগীসু মথক্তা ফুটবোল শান্নরোয়শিং অসি ফিট ওইহনগে হায়রবদি ফুটবোল কাওবখক্তগী কোচিং পীবা য়াদ্রি। মসিদা স্পোর্টস মেদিসিনগী, জিমদা ফিটনেস এক্সর্সাইজনচিংবা য়াওদবা য়াদ্রি। মসি য়াওদবদনি প্লেয়রশিংনা মশা শোল্লিবদু। ফিল্ডদা উবা ফংগনি প্লেয়রশিংনা গোল চন্নবা এটেক তৌরুরগা মশাগী দিফেন্স অমুক তৌনবা মায় ওন্দুনা চেল্লকপা ঙমদদুনা শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোন্দুনা মানা এটেক তৌরকপদু য়েংদুনা লৈবা উরিবদু।

মণিপুরদা ফুটবোল চাওখৎহনগে হায়রবদি চহী চুপ্পা শান্নবা য়াবা এস্ট্রো টর্ফকী শান্নবুং, ষ্টেদিয়ম অমদি অতৈ মচাক-মথুম য়াওনা শেমগৎ শাগৎপা চঙই। অফবা কোচ হায়বসি য়াম্না মরু ওইরে। ফুটবোলখক্তগী একাদেমি অমা লিংবা য়াম্না থেংমল্লে। মণিপুরদদি নোংজুথাগী মতমদা লম্পাক লৈখোম থোকপনা শান্নবা য়াদে। মদুগী ফীভমদুদা করম্না ৱর্ল্ড কপ য়ৌবা ঙমগনি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি ষ্টেটকী য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মপাঙ্গল কনখৎহনবা য়াম্না মরু ওইরে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পুথোক্লিবা 'খেলো ইন্দিয়া' হায়রিবা স্পোর্টস পোলিসি অসিদগী লৌবা য়াবা মতেং লৌনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হোৎনগনি খল্লি। মসিদা ষ্টেদিয়ম শাগৎপা খুঙ্গং অমদি সহরদা গ্রাসরুটতগী শেমগৎপা, স্কোলারসিপ পীবা, টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোকপা য়াওরি। গুজরাটকী গভর্ণমেন্টনা স্পোর্টস চাওখৎহন্নবা চহীগী ওইনা লুপা ক্রোর চহুম তরামাপন কায়থোক্তুনা থম্মী। অদুগা লুপা ক্রোর হুম্ফুমঙা কায়থোক্তুনা খুঙ্গং, দিষ্ট্রিক্ট, স্কুলশিংদা স্পোর্টস কম্পিটিসন তৌই। মসিবু মখোয়না 'খেলমহাকুম্ভ' হায়না মমিং থোল্লি। স্পোর্টসকী পৱার হাওসনি হায়রিবা মণিপুরদা করিগুম্বা পোলিসি চৎনদ্রি। চৎনবা শেম্বা য়াব্রা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা? চৎনরবদি মণিপুরসি থিংবিনবা লৈগনি থাজদে মালেমদা? মসিবু হায়মনবা হায়বদু থোক্কদ্রা খঙদ্রে।

নিংঙোল চাক্কৌবা হয়েংনি

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

ঐখোয় পুম্নমক্না খঙই, কুম অমগী নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বসি, মপাম লমদম থাদোক্তুনা মায়কৈ ফাংনা ওংখ্রবী, য়ুম্নাক শাগে তোঙানখ্রবী, মৌগী শীংদা চনখ্রবী নিংঙোলশিংগী, চহী অমদা নোংমখক্তং তাঙনা ফংজবা, খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈনি। হয়েংদি, লৈপাকসিগী ইচন-ইচেশিং খুদিংমক শোয়দনমক্কী ইপাম লমদম পাংনা কুমগী নিংঙোল চাক্কৌবা চৎনরগনি। কুম্মৈসিগা ইরোয়ননা, লমদমসিগী নিংঙোল ওইবী খুদিংমক্না হয়েংগী নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎসিদা লায়র-ইনাকখুনবা খায়নদবগী নুংশি পাউজেল অমতং পুবীদুনা ইপাম লমদমশিংদা চৎপীবা ঙম্লবদি লৈপাকসি শোয়দনমক্কী ঈং-তপ্লক্নি অমসুং চাওখৎপগী মপা লৈরক্লোই খল্লি। "মতম মতমগী ৱাফম" না হয়েংগী নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎসিগীদমক, ইরমদমসিগী নুংশিজরবী ইচন-ইচে খুদিংমক্কী মফমদসু য়াইফ-পাউজেল পীজরি।

নুংশিবগী ৱাহন্থোক্তি মায়কৈ য়াম্মী। মপাম লমদম থাদোক্তুনা অতোপ্পা য়ুম্নাক-শাগেশিংদা য়ুমলেপ-চারা তমখ্রবী নিংঙোলশিংনা, মপাম লমদমগী মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংবু নুংশিজবসিসু তশেংনমক, নুংশিবগী অতোপ্পা শক্লোন অমনি। মপুরোইবগী য়ুমদা কয়াগী মতিক নুংঙাই-য়াইফনা, ইনাক-কৈরাক খুন্না, তেকথবা মখৈ, অৱাৎ-অপা লৈতনা পাল্লবসু, নিংঙোল ওইবীশিংগী মফমদা, হৌজরকপা মপাম লমদম্না করি চারমগদবা খঞ্জরুবদা, থাঙ্গৎচরুবা চখোম কয়াবু য়েংজরগা, মিৎকী পি চদুম-চদুম শিন্থজবা ঙম্লিবী নিংঙোলশিংগী থম্মোয়নি। অমরোমদা মপাম লমদম, ইনাক-কৈরাক হায়ফেৎ খুঞ্জবা নিংঙোলশিংনা, মপাম লমদমদগী পুরকপা অচা-অথক, অনৌ-অপেন কয়ামরুম্থ মপুরোইবগী য়ুমদা পুশিঞ্জরগা, লেন্নজবগী মওংদা মপূক্নিংদা হরাউ-তয়াম্থগী ঈথক কাজবসু ঙম্লিবনি। সিদগী হেন্না নুংঙাইবা নিংঙোলশিংগী কুম্মৈবু মফম কদাইদা লৈরমখিগদগে? হৌজিক্কী মতমসিদা ৱাখল্লোনসি ফাওরগা চৎপীরমগদবা নিংঙোলশিংগী মশীংসু য়াল্লমগনি থাজদে। অদুগা নিংঙোলশিংগী মপামশিংগী মশীংসু শোয়দনমক্কী তাঙলমগনি খল্লি। তশেংনমক নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈনা ঐখোয়দা পীরিবা নুংগী ওইবা নুংশিবগী পাউজেলশিংদি অঙকপনি। নিংঙোল চাক্কৌবা থৌরমগী অমত্তা ঙাইরবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনবু ময়েক শেংনা খঙজীনমিন্নবা ঙম্লবদি, ঐখোয়গী লৈপাকসি শোয়দনমক্কী মরা তপ্না অমদি নুংশি-চান্নবা, চাওখৎমিন্নবা হিংমিন্নবা ঙমগনি। মায়কৈ ফাংনা পাউজেল পীরিবা, কুম্মৈসিগী তাঙলবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন কয়ামুকসু লৈ।

অদুঙৈ, য়েলহৌঙৈ মতমগী ৱারীনি। মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনা মচন-মচে ওইবশিংবু নুংশিজবগী ময়েক লারবা খুদম্না চেৎন-পুন্দুনা মবুং ওইবা চিংথোং পোইরৈতোন্না মপাম লমদম থাদোক্লমদুনা নোংদা লাইরেন পাখঙবগী কোনুং মশাইগোন্দা য়াওংখ্রবী, য়ুম্নাক শাগে হোংখ্রবী মচননুপী লাইসাবু নুংশিজনা, হিয়াঙ্গৈ থানা লাকপদা কুমগী মহৈ-মরোংশিংগা লোয়ননা ফৌনৌ চেঙনা তরা-চাকপু চাক্কৌরম্মী। থৌদৌসিবু মতৌ তমদুনা, মীতৈ/মৈতৈশিংনা ঙসিসু পোইরৈ লমদমসিদা, মবুং-মৌপ্পা ওইবা খুদিংমক্না মচন-মচে ওইবীশিংবু হিয়াঙ্গৈ থানা লাকপসিদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা নিংঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্লরিবনি। নুমিৎতুদা চিংথোং পোইরৈতোন্না মচননুপী লাইসাগী মফমদা লোইমোম ফৌখল অমবু মশেন্নুপা পাখঙবদা পীজরু হায়দুনা খুদোল তমখি। লোইমোম ফৌ খরদুগী চেঙনা থোংবা তরা চাকপু চারুবদা, ময়েক শেংনা মহাউ লৈরম্মী হায়দুনা মশেন্নুপা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা লোইমোম ফৌদুগী মমিংবু মবাই, পোইরৈতোনগী মিং লৌদুনা 'চাকহাউ পোইরৈতোন' হায়না মিংথোনখি। মৈত্রবাক্তা চাকহাউ পোইরৈতোনগী মিংথোল ৱারী লৈরম্বসিনা, অদুঙৈ মীতৈ-মৈতৈশিংনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম্থু, নোংদা লাইরেন পাখঙবগী মতমদগী হৌনা পাঙথোক্লরুবা মৈত্রবাক্কী কুম্মৈ অমনি হায়বগী চপ চাবা খুদমসু ওইনরি। নুংশিবগী মশকপু তরা চাক কৌবনা লেপ্পবা, অরীবা লোনচৎশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা চৎনবীসিগী হৌরকফমসিবু থৌদৌসিদগীনি লৌনরি। কুম্মৈসি, মতমদুদগী হৌনা ময়েক শেংনা মৈত্রবাকচাশিংতগী ওইনা লৈরক্লবা অরিবা কুম্মৈ মখল অমনি। কনামতদগী মীতৌ তম্লুবা নত্তে, মৈত্রবাকচাশিংতগী ওইনা ময়েক শেংনা লৈজরম্লবনি। ৱাফমসি মৈত্রবাক্কী পুৱারীশিংদা ময়েক শেংনা ইদুনা লৈরি।

হৌজিক্তা, নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম্থু ইনাকখুনবা, অরৈবা কাঙবুশিং খরনা, হীদান্নবগী মওংদা চথরক্লি। মচন-মচে, মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংগী চন্নবা নুংশিনবগী ঈচেলসিবু থৈদোকহন্নবা, কুম্মৈসিবু ঈথক-ঈরাংদা অরৈ-লৈত খায়দুনা হীদান্নবগী শক্লোন অমা ওইনা উংলকপদি লানগনি। থৌদৌসিনা নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী শেংনা, নুংদা চেল্লিবা ঈচেলসিবু নাথৈহনখিনবা হোৎনবা খক ওইথোক্লোই। নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈবু ইনাকখুনবা, শেল পায়বা খুজোক খরখক্তগী ওইহৌনবা শিনবসু ঙম্লোই। লায়রবা, লৈজদবা কোঙ্গায়দদি মবুং-মৌপ্পা, মচন-মচেশিংগী মীনুংশি খক পোল্লম্লরোই হায়বা ঙম্লা? নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈবু ইনাক-কৈরাক খুনবা, শেল পায়বা, মীচং-শম্বল ৱাত্তবা মীওই খরতগী ওইনা লৌহন্নবা খক হোৎনরোইদবনি। নুংশিবা হায়বা পোৎশকসি শেলনা খক লৈবা য়াদে, নুংশিবদি থম্মোয়দগী থোক্লকপা অশেংবা ঈঙ্গিতুখক্তনা ওইগদবনি। পাউজেলসি মতম লৈবা খিবিক্তা মনীং তমহনগদবনি। তাইবঙ শেম্বা মপূনা পীবিরম্বা মীওইবগী থম্মোয়গী মীনুংশি, খাঙুথক্কী খৃৎশেমগী পলনা কৈদৌঙৈদসু খক অকায়-অতোয়, অয়েৎ-অথিং পীবা ওইথোক্তে। লমদমসিদা লাই হাকথক্তগী হৌনা চৎনরক্লবা নিংঙোল চাক্কৌবগী চৎনবীবু মী হাকথক্তা, খৃৎশেমগী চৎনবী ওন্থোকপা, মীচম-মীয়াম লিশীং-লাখা কয়ানা খক য়ানীংলোই।

মালেমগী মীপুম খুদিংমক্তা নিংঙোল চাক্কৌবগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনসি খঙহন্নবা মালেম পুম্নগী ওইনা কুম্মৈসি শন্দোকখিনবা ঐখোয়না হোৎনফম থোকই। মীওইবগী পুন্সিদা মীনুংশিগী ঈচেলশিংগীদমক হোৎনবিবা মীওইশিংগী মশীং মহৌশানা খক য়ামগন্দে। মীনুংশিগী পাউজেল পুরিবা, মবুং-মৌপ্পা, মচন-মচে খিবিক্কী থম্মোয়শিংবু চেৎনা, অচেৎপা লীপুন্না পুনশিনবীরিবা, তাইবঙ-ফম্বাকসিগী অমত্তা ঙাইরবা কুম্মৈদি, নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈনি। য়েলহৌঙৈদগী হৌনা শেংনা চেম্থরক্লবা লমদমসিগী নিংঙোল চাক্কৌবগী কুম্মৈবু, লমখাঙদা খৃৎশেমগী অচাউরম কাবা খৃৎ খরনা লন্নাইগী হীদান্নফম ওন্থোকপা চুম্লোই। পুৱারীবু মশক থীহন্নবা হোৎনবা হায়বসিদগী হেন্না চাউবা মরালশিংসু লৈরোই। হন্না হন্না নৈনখ্রবা ৱাফমশিংদা য়ূন্ফম ওইরগা, লমদমসিগী ৱাখল খেন্নবা মীওই খুজোক খরখক্লা, চাক চগ্রিং অমনা চেঙ-চেঙকোক অমবু চেম্থহনবগুম, মাঙজনবগী থৌদৌশিং অমত্তা শীনহন্নীংদে। লমদমসিগী য়েলহৌমী অমমম ওইনা লিংজেল মান্ননা, ঐখোয় খুদিংমক্না কুম্মৈসিগী ওইবা নুংগী ঈচেলসিবু মতম চুপ্পগী ওইনা কন্দুনা থম্নবা হোৎনমিন্নফম থোকই, হায়জনীংই।

মচন-মচে ওইবশিংগী নীংঙাইদা, নীংঙাইবা লৈতনা খৃৎ থাবগী থবক, লমদমসিগী মীয়াম ঐখোয় লেপ্পসি। তুংগী পোইরৈ য়েংদুনা মালেমগী চাওখৎ খোঙথাংদা খোঙ থাংজিন্দুনা, চাওখৎপগী লমজেল মতেক অমতং ওইরবসু ঐখোয় য়াওহৌনবা হোৎনমিন্নসি। লায়রবা মঔ লিংদে, ইনাকখুনবা মপান থাদে, অঙাংগী করি-করিনা চফু মেনবগী থবক তৌরোইসি। চেকশিল্লগা চেক্কী য়ুম শাই, ফাদোক্লগা ফরা শাই। ৱাখল তাদ্রিবা নিংঙোলশিংগী নীংঙাইশিংদা ঙাকসু ঐখোয় খক পংথফম থোক্তে।